নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা ঙসি থুংলখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টিল এন্দ রুরেল দিভেলপমেন্ট ফগন সিংহ কুলাস্তেবু এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ অমসুং বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলনা তরাম্না ওকখিবা

ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ)কী মেজর জেনরেল অলোক নরেশনা লৈবাক অসিগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা মোইরাংদা লৈবা আই এন এ ম্যুজিয়মদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখিবা

বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলনা শীন্দুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোগী ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়দা লৈব য়ুমদা পাঙথোকখিবা মন্দল অমসুং কোর কম্মিটিগী মীটিং

কোভিদ লায়না লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেংশিংনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা পাৎশোই পার্ট ৱানগী ইমুং ৬০০ রোমদা সোসল ৱার্কর ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকা খুৎশম্নদুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবা

সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক শৌগৎকনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেসন অমদি মণিপুর সেক্রেটেরিয়েট সর্ভিসেস এসোসিএসন অনীনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী পীফম থোকপা দি এ চাদা ২১ অসি পীবীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা হয়েংদগী হৌদুনা চত্থগদৌরিবা সিজ ৱার্কষ্ট্রাইক অসিদা ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না মপুং ফানা শৌগৎকনি। ষ্ট্রাইক অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা থৌমী খূদিংমক্কীনি খন্দুনা অমত্তা ওইনা শৌগৎমিন্নসি হায়নসু ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরক্লিবা চৈথেংশিংনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা পাৎশোই এ সীগী মীয়ামদা তেংবাঙ পীদুনা লাকপগী মখা তারকপা শরুক অমা ওইনা সোসল ৱার্কর ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা পাৎশোই পার্ট ৱানগী য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবকা খুৎশম্নদুনা য়ুমথোঙ ৬০০ লোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফুবালাগী ৱাটর সপ্লায় মনাক টিদ্দিম লম্বীদা সাইকল থৌরকপা নুপা অমা অল্টো কার অমগা থোমগাইনবদা শোকপদগী লায়কন্নদুনা লৈরকখিবা সাইকল থৌবা নুপা অদু ঙসি লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা তোংব্রম বোধুচন্দ্র (৫৭) অপোকপা টি গঙ্গা কৌই। মহাক ফুবালা ৱার্দ নম্বর থ্রীদগীনি হায়রি।

সোসল সর্ভিস

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): লাইনিংগী খেন্নবা লৈতনা কাঙলুপ-ফুরুপ খূদিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, লৈমিন্নবা অদুগুম্বা লমদম অমনি। মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা খুরাই অহোংপুঙদা শাইদাংলিবা কালি মন্দির অহোঙ্গৈদা লৈরিবা লাইফম অনীগী অকোয়বদা সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে। সোসল সর্ভিস অদুদা এস পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ষ্টাফশিং, য়ু পি ও লল্লোং খুরাই ব্রাঞ্চ, মৈতে লিপুনগা খুৎশম্নরগা পুন্না পাঙথোকখি। অপূনবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসি মীতে অমসুং হিন্দু লাইফমগী অকোয়বগী লম-তূ শেংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবীবগীদমক থাগৎচরি হায়নসু মাইচৌ নীংশিং লূপকী সেক্রেটরি এ ইরাবোতমীতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

পোৎ-চৈ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): লম্লাই এ সীদা লৈবা নোংদম অমদি লৈমখোং মপালদা মীওই ১০৭০ মাস টেষ্টিং তৌবদা মীওই ২০৯ পোজিটিভ ওইখ্রে। অতোপ্পা হোস্পিটালদা টেষ্ট তৌবদনা মীওই পূন্না ২১৭ ওইখ্রে।

পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লবা, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা, কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদুনা লৈবা খূনশিংদা লীশাংশীৎনা চথরকপা ওইনা ঙসিসু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপ্টেদ মেম্বর অচোইবম দেবেনগা লম্লাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি, লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট পোলিটিকেল ফোরম, হিল এরিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লম্লাই ব্লোক মহিলা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি, লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী থৌমীশিং, লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল্লরনা পোজিটিভ ওইরবা ২১৭ খুনশিং নোংদম, লৈমখোংমপাল, সেক্তা ময়াই লৈকায়, শওম্বুং গেট, পুংদোংবম উয়ুংমখোঙ, তেলৌ, য়ৌরবুং অমদি শওম্ফু কবুই খুঙ্গংশিংদা পুন্না ইমুং ৩৩৮দা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈ ময়াম অমা য়েন্থোকখি। চীং-তম জুনিয়র স্কুল য়াইঙংপোকপীদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদুনা লৈবা মফমদা নোংমগী চাক্লেনসু পীখ্রেহায়রি।

ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম ষ্টেট অসিদসু ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা ঙরাং দি সী ককচিংগী কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিংগী দি সী, দি গাংমৈনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এস দি পি ও ককচিং টি গীতচন্দ্রনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা গার্দ ওফ ওনর পীখি। লোয়ননা ককচিংগী দি সী, দি গাংমৈনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ককচিংগী দি সী, দি গাংমৈনা হায়খি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোৎনবীরকখিবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এম এল এ মরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লন্নাই হোস্পিটালশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু থাগৎনিংঙাইহনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেল্থ ৱার্করশিং, টাস্ক ফোর্সশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগী ভলন্টিয়রশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা থৌদাং লৌখিবা খূদিংমক্না হোৎনবীখিবা পুন্নমক মহাক্কী থন্মোয়নুংদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি। মখা তানসু কোভিদ-১৯ থেংনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা হোৎনমিন্নখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবা সিভিল অমদি পুলিসকী পর্সনেলশিং, ওফিসরশিং, কোভিদ-১৯ থেংনবদা অহিং-নুংথিল নাইদনা মথৌ তৌরিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিং অসমুং লৈঙাক্কী থৌমীশিং পুন্না মীওই ১৩৩দা পূক্নিং থৌগৎপগী সর্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুন্নখি। থৌরম অদুদা ককচিংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অধক্ষ্যা, উপ-অধক্ষ্যা অমদি তোঙান-তোঙানবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম ঙরাং থৌবালগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা থৌবালগী দি সী রংনামৈ রং পিটরনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা থৌবালগী দি এস পি (ওপস) অশাংবম খেলেন্দ্রনা পেরেদ কম্মান্দর ওইবা পুলিসকী কন্টিঞ্জেন্টনা পীবা সেল্যুটসু ওকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা থৌবালগী দি সী রংনামৈ রং পিটরনা হায়খি, লৈবাক অসিবু নীংতম্বা ফংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা চোকথবা নাইদনা থবক তৌরিবা কোভিদ-১৯গী ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, হেল্থকী মীওইশিং, লোকেল কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং, এম এল এশিং, পঞ্চায়টশিং অমদি তেংবাঙ পীবীরকপা খূদিংমকপুসু মহাক্না থাগৎখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দি সী থৌবালনা কোভিদ থেংনবদা কখোকপা অমগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওই ১৪০দা সর্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিএসন পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা এ দি এম, এ সী টু দি সী, এদিসনল এস পি থৌবাল, দি এস পি, দি এল ওশিং অমদি দি সী ওফিস থৌবালগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দি সী কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্দ দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চান্দেলগী দি সী ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখিবগা লোয়ননা গার্দ ওফ ওনরসু য়েংশিনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চান্দেলগী দি সী ময়াংলম্বম রাজ কুমারনা হায়খি, লৈবাক অসিগী এস্পিরেসনল দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টসু অমা ওইরে। মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্বু থাগৎলি। চান্দেলবু এস্পিরেসনল দিষ্ট্রিক্ট ওইহনবা ঙম্বা অসি পুন্নমক্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াইফননবা মানা মানা ঙমজবা থাক্তা হোৎনখিবা অদুননি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী লেবর রুম অসিসু লক্ষ্যা সর্টিফাইদ ওইরে। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। এস্পিরেসনল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রামগী মখাদা কোন্নাথাবী প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমসুং মোর্দন পব্লিক হেল্থ সব-সেন্টরদা নুপা অমদি নুপীগী তোখায়বা ৱার্দশিং লৈহনগদৌরি। লোয়ননা সেন্টর অসিগী ষ্টাফ ক্বার্টরসু অনাল খুল্লেন্দা শারে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা হন্দকা ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট শঙ্গাখ্রে। অতোপ্পা প্লান্ট অমসু অথুবদা ইন্সটোল তৌরগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পায়খৎপা দিভেলপমেন্টেল প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা খরদি মপুং ফানা পায়খৎলে। অদুগা খরনা খুম্মাং য়াংনা চঙশিল্লি। মীয়াম্নসু হায়রিবা প্রোগ্রেসশিং অসি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা তেংবাঙ পীবীয়ু হায়খি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দি সী কৃষ্ণকুমারনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখিবগা লোয়ননা সব-ইন্সপেক্টর থোকচোম চিংথংখোম্বনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা বিষ্ণুপুর পুলিস অমদি ভি দি এফ বেন্দ পার্টিগী কন্টিঞ্জেন্টনা পীবা সেল্যুটসু ওকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুরগী দি সী কৃষ্ণকুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কোভিদকী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংবু থাগৎলি। ষ্টেট অসিদা ভেক্সিনেসনগী থবক্তসু বিষ্ণুপুরনা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্বা অসিগীদমক্তসু অপেনবা পোকই। দিষ্ট্রিক্ট অসিনা হৌজিক চাউখৎ লম্বীদা মায়কৈ চুম্না মাঙলোমদা চঙশিল্লি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালসু কয়াকল্প এৱার্দ ২০২০-২১গীদমক খল্লক্লে। মসি অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিসু খ্বাইদগী মাঙ থানা থবক পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা করিয়র গাইদেন্স-সেন্ট্রিক করিক্যুলম সিষ্টেমগা লোয়ননা স্কুলশিং মোর্দনাইজেসন তৌবা অথুবদা হৌরগনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নহাশিংবু অচুম্বা মায়কৈদা পুদুনা মখোয়গী হে-শিংবশিং অমদি তৌবা ঙম্বশিং অদু লৈবাক্কী অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসেট ওইহন্নবসু হোৎনরি। মীয়াম্নসু মমল য়াম্লবা পুন্সি কন্ননবগীদমক কোভিদ ভেক্সিন শুংশোয় শোয়দনা কাপথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং, কোভিদ ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, টাস্ক ফোর্সশিং, সোসল ৱার্করশিংদা কমেন্দেসন অমসুং এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেটশিংসু খুৎশিন্নখি। বোসেমনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস টেন এগজামিনেসন্দা মার্কৱাংনা ফংলক্লবা নুপী মহৈরোয় অনী অমসুং কোসেমনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস টুয়েল্ব এগজামদা মার্কৱাংনা ফংলক্লবা নুপী মহৈরোয় অহুমদসু মেরিটোরিয়স এৱার্দশিং খুৎশিন্নখি। লোয়ননা প্রধান অহুমদসু এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী এস পি সাপম হোপসন, এ দি এম বিষ্ণুপুর বোবি শর্ম্মা, এস দি ও বিষ্ণুপুর মামোনি দোলে, দি এল ওশিং, সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা চূড়াচান্দপুরগী তুইবোং পিছ গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চূড়াচান্দপুরগী দি সী পৱন যাদবনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখিবগা লোয়ননা থানলোনগী এস দি পি ও দেবিট কিলোংনা পেরেদ কম্মান্দর ওইবা কন্টিঞ্জেন্টশিংনা পীবা সেল্যুটসু ওকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দি সী চূড়াচান্দপুর পৱন যাদবনা হায়খি, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই লাখ ১ রোমদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং ২৩ রোমদনা অনীশুবা দোজ কাপখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, ভলন্টিয়রশিং, তোঙানবা সী এস ওশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎলি। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লো এন্দ ওর্দর নীংথিনা মেন্টেন তৌবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা খুমাং চাউশিন্না চঙশিনবা ঙল্লে। মসিগীদমক চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপুসু থাগৎলি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা গুদ গভর্ণান্স ফংহন্ননবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না হীরম খূদিংমক্তা মল্টিদাইমেনসনেল দিভেলপমেন্টকীদমক তোঙান-তোঙানবা থৌরাং থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চূড়াচান্দপুরগী এস পি শিবনন্দ সুর্বে, অহানবা আই আর বিগী সী ও লুনখোমাং খোংসাই, চূড়াচান্দপুরগী দি এফ ও ইস্থর লালতানকিম সর্তো, দি এল ওশিং অমদি সী এস ওশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা খুন্নাইগী য়াইফননবা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌখিবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং, সোসল ৱার্করশিং অমদি এন জি ও ৱার্করশিংদা এৱার্দশিং পীখি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফেরজোলগী দি সী মাননুৱামচিংনা মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকখিবা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিং অমসুং ষ্টাফ ৯০দা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিং অমদি ষ্টাফশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতসু ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। উখ্রুলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার জোসেফ পাওলিন কামসোমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি এল ওশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিং, সী এস ওগী লুচিংবশিং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ইমপ্লোয়ী ৮৭তা এৱার্দ সর্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

আই জি এ আর (সাউথ)নসু লৈবাক্কীদমক লানফম কয়াদা থৱায় কথোকখ্রবা লান্মীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মন্ত্রিপুখ্রিদগী মোইরাং ফাওবা ফ্রিদম ব্রাইট রেল্লি অমসু চৎখি। লোয়ননা মেজর জেনরেল অলোক নরেশ, ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ)না মোইরাংদা লৈবা আই এন এ ম্যুজিয়মদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি।

সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা শীন্দুনা ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল জি পি কেপ্টেন রাজনিশ কুমারনা ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা ষ্টাফ অমদি ইমুং-মনুংশিংগী ফ্রিদম রন অমসু চেনখি।

আই জি এ আর (ইষ্ট)/২২ সেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসনসু ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অঙাংশিং, নহাশিং অমদি লান্মীশিংনা শরুকয়াদুনা রন ফোর ফ্রিদম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লৈবাক্কী ফ্রিদম ফাইটরশিং অমদি থৱায় থাখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল ৪৪শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা চিংখৎতুনা পাইহনখি হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা কাংপোকপীগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতসু ঙরাং ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কাংপোকপীগী দি সী সোমোরজিৎ সলামনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি। লোয়ননা পেরেদ কন্টিঞ্জেন্টনা পীবা সেল্যুটসু ওকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দি সী সোমোরজিৎ সলামনা লুচিংদুনা কাংপোকপীগী বৃগেদিয়র থোমাস গ্রাউন্দদা ট্রী প্লান্টেসন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

রোমি মৈতৈগী মোৎশিল্লবা মিংশেল অমসুং চাইল্ড আর্টিষ্ট য়াইখোম্বা এৱার্দ ফংলক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): ফিল্ম মেকর রোমি মৈতৈগী সোর্ট ফিক্সন *মোৎশিল্লবা মিংশেল* (দি টেন্টেদ মিরর)না গ্রান্দ জুরি এৱার্দ ফোর বেষ্ট ফিল্ম, হাউস ওফ ইল্ল্যুজন এৱার্দ ফোর বেষ্ট সোর্ট ফিক্সন অমসুং ফিল্ম অসিগী চাইল্ড আর্টিষ্ট য়াইখোম্বা (দিসিরাজ)না ফিল্ম ক্রিটিক সার্কল ওফ ইন্দিয়া স্পেসল মেন্সন ফোর দি বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্ট ফংলক্লে হায়রি।

এৱার্দ অসি দিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল এন্দ কলচরেল দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ অসাম অনীগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ‘চলাচিত্রম নেসনল ফেষ্টিভেল ২০২১’ না পীবা এৱার্দনি। হায়রিবা নেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ইমাগী নিংথেম, এম কে বিনোদি: এ ত্রিব্যুট অমদি হাওবম পবনকুমারগী দি ফর্ষ্ট লিপসু উৎতুনা মণিপুরী সিনেমানা চহী ৫০ মপুং ফারকপগী ঈকায় খুম্নবসু উৎখি।

মোৎশিল্লবা মিংশেল (দি টেন্টেদ মিরর) হান্নসু অতোপ্পা ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিংদা মনা কয়া ফংলকখ্রবা ফিল্ম অমনি। ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ মেলবোর্ন, লিফ্‌ট ওফ সেসন য়ুনাইটেদ কিংদম, বেষ্টি ফিল্ম ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল এৱার্দস, বেষ্ট দিরেক্টর কোচিন ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল, বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্ট, বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফি এৱার্দ এট ক্রিএটিভ সোর্ট ফেষ্ট, স্পেসল জুরি এৱার্দ মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দসনচিংবা খরা অসি পনবা য়াই। ফিল্ম অসি হৌজিক মুম্বাইদা বেজ তৌবা পোকেট ফিল্মনা রিলিজ তৌদুনা মীয়ামদা য়েংবা ফংহল্লি হায়রি।

কুমজা ২০২২গী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লনবা মন্দলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু : এ শর্দা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্লদৌরিবা মণিপুরগী এসেম্বলী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লনবা পার্টি অসিগী মন্দলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলনা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়দা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকরসু ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রোগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মন্দল কম্মিটি অমদি কোর কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়াখিবী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্লদৌরিবা এসেম্বলী মীখল অসিদা বি জে পিনা অমুক হন্না চাউনা মায় পাক্তুনা পার্টি অসিগী লৈঙাক হল্লকহন্ননবা বি জে পি মন্দলগী ৱার্করশিংনা কথোকপগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা হোৎনসি। মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ৪০গী মথক্তা ফংননবা পান্দম থল্লিবসি মায় পাকহনসি। বি জে পি ময়াং ইম্ফালগী ইন-চার্জ ওইনা লাক্কদৌরিবা অদুগা এ সী অসিগী মনুংদগী কনভেনর ওইগদৌরিবা য়াওনা মন্দলগী মেম্বরশিংনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক নীংথিনা শেম-শাবা হৌদুনা পার্টি অসিবু মায় পাকহনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকরসু ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ, কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকলাকপদগী লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা অমদি চাউখৎপা পুরকপা ঙল্লে। মণিপুর মীয়াম্না চহী কয়া লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবগী ঈহৌ হৌদুনা লাকখিবা অদু লৈঙাক অসিগী মতমদা মীয়ামদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম খুদোল ওইনা তম্বা ঙল্লে। মতম অমদা লৈরম্বা বন্দ, ব্লোকেদশিং লৈতবা লমদম অমা ওইহনবা ঙল্লে। মসিগীসু মথক্তা মতম অমদা লো এন্দ ওর্দর ফত্তবনা মরম ওইদুনা নুমীৎ হেক তারকপগা মমা-মপা ওইবশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ৱানরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। নুমীদাং অথেংবদা ফাওবদা য়ুমদা হল্লক্লদ্রবসু পাখৎনদ্রে। পুম্নমক অসি বি জে পি লৈঙাক্কী খুদোলনি। ময়াং ইম্ফাল এ সীদা মতম কুইনা থক্লবা অফবা টৌটি ঈশিং ফংদনা লাকপা অদু লৈঙাক অসিগী মতমদা ফংহনবা ঙল্লে।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পি এম জি কে ৱাইগী মখাদা লেম্না পীরক্লিবা চেঙগী চাকথুং অদু এ সী অসিদা লৈরিবা নফসাগী কার্দ পায়বদি য়াবা অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কার্দ পায়দ্রিবা লায়রবা ইমুংগী মীওই কয়া য়াওনা কোভিদকী চৈথেং নংদুনা অৱা-অনা তারবা ইমুংশিংদসু চেঙ ফংহন্ননবা চাকথুং অদুনা চপ মান্ননা য়েন্থোক্লি। মসিদা পোলিটিকেলগী খেন্নবা থম্বা লৈতে। অদুবু কনাগুম্বা খরনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌননবনি হায়দুনা পি এম জি কে এ ৱাইগী ময়াং ইম্ফাল এ সীদদি চাকথুং হন্থনা পীরে হায়না ফোঙদোক্লরকপা অসি লাইবক থীবনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী চেঙগী চাকথুংদা অরানবা থৌওং অমত্তা চত্থখিবা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

নোংথোম্বম বিমোলকুমারনা লৈখিদবসি সী এস ওশিংদা নত্তনা মণিপুরগী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি : লূপশিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লিদিং সী এস ওশিংগী মনুংদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা মপী কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এন বিমোলকুমার কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লুচিংবা অসি তোঙান তোঙানবা অপূনবা লূপ কয়াগী অচৌবা থৌদাং য়ারম্বা অচঙবা লুচংবা অমনি। মণিপুরদগী অফস্পা ১৯৫৮ মুথুৎখিনবা দিমান্দ তৌরিবা লূপ ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপকী কো-ওর্দিনেটর ওইনা, প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি ওফ মণিপুর (পি পি সী এম)গী কনভেনর ওইরম্বা, জে সী আই এল পি এসকী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা, মণিপুর ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবগী খোঙজং কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশকনি। য়াম্না ঈং-তপ্পা, মোমোন্তা নোক্তুনা লৈজবা, অশাউবা উৎতবা মমুৎ তানা ৱাখল খনবা ঙম্বা মাগুম্বা লুচিংবা লৈখিদবসি মণিপুরগী সী এস ওশিংদা নত্তনা মণিপুর ইমাগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি।

মপারী অসিনা লৈখিদবদা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নরিবা লূপশিং পিপলস এক্সন ফোর নেসনল দেম্মোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম)গী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী প্রসিদেন্ট তৌরাংবম বিরজিৎ, ওল ক্লব ওর্গনাইজেসন এসোসিএসন মণিপুর লূপ (অকোম লূপ)কী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইশম, ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন কংলৈপাক (ইপাক)কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেতন, কংলৈ অপূনবা মৈরা লূপ (কংলা মৈ)গী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক লৈমা, চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সী এল কে)গী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপী চনু অমদি কংলৈ ইমা লূপ (কিল)গী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ৱাংদৈ মীতৈ লৈকায়, লাঙ্গোলদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না য়াতারুনবা থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, হৌখিবা ওগষ্ট ১৩দা মপী কাউন্সীল (মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি কাউন্সীল)গী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবীরম্বা নোংথোম্বম বিমোলকুমার, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়না তমথীরবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদুনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অমেস্কোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু দীপুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা পি পি সী এমগী কনভেনরসু ওইবীদুনা মশাগী ওইজবা কয়া কথোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী অমদি চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বতা নত্তনা লৈবাকসিগী লুরবা তানফমদা পিপল টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গীসু হান্না কনভেনর ওইবীরমদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌবীরম্মী।

মহাক্না লৈখিদবদা মপী কাউন্সীলগী মাঙজবখক নত্তনা মণিপুর মীয়ামগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা হায়বদু ওইহৌরগনি। অহল ইবুংঙোগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু অমেস্কোনা শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় না লাইরম্লেনদা ঈংনা চিক্না নুংঙাই য়াইফনা তাইবং মপুগী লৈকোলদা লৈহনবীবা ওইরসনু হায়না অমেস্কোনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা তাইবং মপুদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ৪৬না পুল্লগা শেমখিবা পিপলস টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯গী হান্না কো-কনভেনরগী থৌদাং পুবীরম্বা নোংথোম্বম বিমোলকুমারনা লৈখিদবদা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভেনর বি কে মোইরাংচাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ ভর্সেস ওনলাইন ক্লাস ফিল্মনা বেষ্ট ফিল্ম তারক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচএনএস): ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা এন সী ঈ আর টি, ন্যু দেল্লীনা শীন্দুনা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া চিলদ্রেন এদ্যুকেসনল ওদিও ভিদিও ফেষ্টিভেল, ২৫শুবা এদিসন কম্পিটিসন সেক্সন্দা লমদমসিগী মমিং লৈরবা ফিল্ম দিরেক্টর বিরেন্দ্র সলামনা দিরেক্সন পীবা প্রিপেরেটরি ষ্টেজগী অঙাংশিংগীদমক্তা এন সী ঈ আর টি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা পুথোকপা এদ্যুকেসনল ভিদিও ফিল্ম ‘কোভিদ-১৯ ভর্সেস ওনলাইন ক্লাস’ না কেটেগোরি অসিগী খ্বাইদগী ফবা বেষ্ট ভিদিওগী এৱার্দ ফংখ্রে।

ফিল্ম অসিগী এদিটরসু এৱার্দ ফংলকখ্রে। নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা কুমজা ২০১৭তসু ফেষ্টিভেল অসিমক্কী এদিসনদা বিরেন্দ্র সলামনা দিরেক্সন পীবা ‘দ হেদ টীচর’ হায়বা ভিদিও ফিল্ম অমনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা ভিদিও ফিল্মগী এৱার্দসু ফংখ্রবনি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা অমুক্কসু নোটিশ পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মপূং ফাবা কোর্টশিং থম্বীনবা ৱাকৎলকখিবা কমপ্লেন্ট কেস অমগী মতুংইন্না কম্মিসননা প্রোসিদিং লৌখৎতুনা কেস অসিগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রবসু শুপ্নতগী রেসপোন্দেন্ট অমখক নত্তনা অতৈনা পাউখুম পীরক্তবগী মায়োক্তা কম্মিসননা অমুক হন্না চীফ সেক্রেটরি য়াওনা ওফিসল ৫দা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

কেস অসি মশামক সোসল ৱার্করসু ওইরিবা এদভোকেট অহোংশাংবম সুরেন্দ্রকুমার (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ইবোতোননা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক জিরিবামগী বরাক সর্কলগী বোরোবেক্রা সব দিভিজন্দগীনি। মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট অতৈগুম্না মপূং ফাবা রিভেন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরবা জিরিবামদা থম্ফম থোকপা ৱায়েলশঙশিং থমহনবীনবা চীফ সেক্রেটরি, হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল, সেক্রেটরি (লো), দি সী (জিরিবাম), পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র অমসুং ঈ ঈবু রেসপোন্দন্টশিং ওইহল্লগা কেস অমা ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অদুগী নম্বর ৬০ ওফ ২০২১নি।

মেট্টর অসি কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা এপ্রিল ১৯, ২০২১দা লৌখৎলগা রেসপোন্দেন্ট মঙামক্তা নোটিশ ইস্যু তৌখিবনি। অদুবু পি দব্লিয়ু দিগী মায়কৈদগী খক নত্তনা কম্মিসননা ইস্যু তৌখিবা নোটিশ অদুগী পাউখুম পীরক্তবদগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্মিসনগী মখা তাবা প্রোসিদিংদা চীফ সেক্রেটরি, হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রার জেনরেল, সেক্রেটরি (লো) অমসুংদি সী (জিরিবাম) দা মখোয়গী পাউখুমশিং মথং থাগী ৩ ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা অমুক হন্না নোটিশ পীখিবনি। করিগুম্বা ওফিসলশিং অসিনা পাউখুম পীরক্লবদি কম্মিসননা মখোয় য়াওদ্রবসু কেস অসিগী মরাইবক লেপ্পগনি হায়খি। লোয়ননা মখা তাবা প্রোসিদিংগীদমক কেস অসি সেপ্টেম্বর ৩দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।